**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 06-05-2025)**

**নরসিং (এল)ঃ** রাজ্য সভা এম.পি. নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়রি-রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা মীয়ামগী থবক তৌনবা থোরক্লিবা লুচিংবশিং অমদি লুপশিংনা তোখায় তান্নবগী মহুৎতা পুনশিন্দুনা থবক তৌমীন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

মহারাজ নরসিংহ মেমোরিএল কমিতি, ইম্ফাল অমসুং শ্রীশ্রী গোপিনাথজি টেম্পল বোর্ড-নোংমৈবুং অনিনা শিনদুনা ইম্ফালগী শগোলবন্দ মবুধৌ মন্ত্রি লৈকাইদা পাঙথোকপা মহারাজ নরসিংহগী ২৩৩ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা ৱা ঙাংবদা লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়-মহারাজ নরসিংহ চহি তরেৎ খুন্তাকপা মতমদা মনিপুরদগী অৱা তান্থোক্তুনা মনিপুর নীংখা তন্বা পুরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা মীশক অমনি। নিংথৌ খুভম অমদি শক্তি মীহৌদবা লৈবাক্কীদমক মশাগী ওইজবা থাদোকপা ঙম্বা গুন অদুগীদমক ঙসি ফাওবা নিংথৌ অসিবু মীয়ামা নুংশিনা শোন্নরি। চহি লিশিং কয়া নীংখা তমা পাল্লকখিবা মনিপুর অসি মতম পুমমক্তা মনিং মখা তমা থন্বা পামখিবা নিংথৌ অমনি।

মহাকা হায়-ঙসিগী মীরোলনা হৌখিবা ইতিহাস অদুখক পাবা অমদি নৈনবগী মহুৎতা ইতিহাসনা করি পারা তন্বীরি হায়বদু খঙফম থোকই। রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা ঐখোয় করি তৌগদগে হায়বদু নীংথিনা খন্ন-নৈনবা চংই।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা হান্নগী মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি-আর.কে. রঞ্জননা হায়-চহি তরেৎ খুন্তাকপা মতমদা অৱাশিং নীংথি তুরেল ফাওবা তান্থোক্তুনা মনিপুরবু অমুক হন্না নীংখা তন্বা পুরকবা হোৎনবদা মহারাজ নরসিংহনা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা মীশক অমনি। অৱাশিংনা লান্দারক্তুনা

মনিপুরবু চহি তরেৎ খুন্তাক লানশিংহনখিবা মতম অদুদা লৈবাক অসি কাংখোং চাইখি। অদুবু, মহারাজ নরসিংহনা অমুক হন্না মনিপুর অসি শেমগৎখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মহারাজ নরসিংহগী নৌনা শাবা মুর্ত্তি অমা মায়খুম হাংদোকপগা লোয়ননা মহারাজ নর সিংহ কমপ্লেক্সতা লৈবা নৌনা শেমজিল্লবা পুখ্রি অমসু শঙ্গাখি।

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্র সিংহনা লুচিংবা কাংবু অমনা ঙসি রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লাগা রাজ ভবনদা ডন্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা য়ুনিভরসিতি অসিগী হন্দক পাঙথোক্কদবা কনভোকেসন থৌরমদা শরুক য়াবীনবা রাজ্যপালদা বার্ত্তন তৌখি।

**ককচিং (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট ই-গভরনান্স সোসাইতি-ককচিংগী জিলা থাক্কী ওইবা মীফম অমা ঙসি ককচিং দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী কমপ্লেক্সতা লৈবা এন.আই.সি. কনফরেন্স হোলদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-রোহিত অনন্দনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দি.সি. রোহিত অনন্দনা জিলা অসিদা থবক তৌরিবা ওফিসিএলশিংনা ই-ওফিস শিজিন্নবা ৱাফম ফোংদোকখি। ই-ওফিস শিজিন্নবনা চে শিজিন্নবগী চাং হস্থহনবতা নত্তনা থবক তৌবদা হেন্না মপুং ফাহনবা ঙম্মী হায়বা ৱাফম মহাকা ফোংদোকখি। মীফম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট ই-গভরনান্স সোসাইতিগী মেম্বরশিং, এস.পি. প্রিয়াদরসনি লাইশ্রমনচিংবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

**বিষ্ণুপুর (এল)ঃ** ৱার্ল্ড রেড ক্রোস ডেগী থাবম্ অমা চুপা চথুরকপা পালন থৌরমগা মরী লৈননা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি-মনিপুর ষ্টেট ব্রান্সনা

ইরাংনা মরম ওইদুনা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা অমসুং রিলিফ কেম্পতগী থোরক্লবা হৌজিকা ময়ুমদা হনজিন্দুনা লৈরবা মীওইশিংদা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে। তেংবাং পোৎলম য়েন্থোকপগী থৌরমদা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার শরুক য়াখি।

**এময়ু(এল)ঃ** থা অসিগী ৯ দা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদবা গুরুবেদ রাবিন্দ্রনাথ টেগোরগী মপোক নুমিৎ অমদি জাতি অসিগী লুচিংবশিংদা ইকায় খুমবা উৎপা থৌরমগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদবা 'নো ইয়োর লিদর' থৌরমদা শরুক য়ানবা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী মহৈরোই-জে.সি. থিয়ামবু খল্লক্লে।

মহাকপু মনিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াননবা পার্লিয়ামেন্টরি রিছার্স এন্দ ত্রেন্নিং ইন্সটিট্যুট ফোর দেমোক্রেসি, লোক সভা সেক্রেটরিয়েটনা খল্লকপনি হায়রি।

**মীফমঃ** মনিপুরগী সিভিল দিফেন্স দিষ্ট্রিক্ট মঙা য়াওনা হয়েং লৈবাক শিনবা থুংবদা সিভিল দিফেন্স মোক দ্রিল পাঙথোক্লগনি।

গৃহ মন্ত্রালয়না থোকপা চেরোল অমদা হায়-সিভিল দিফেন্স রুলস ১৯৬৮ কী সেক্সন ১৯ গী মখাদা লৈবাক অসিগী ঙাকশেলগী থৌরাং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী পান্দমদা হয়েং ভারতকী সিভিল দিফেন্স দিষ্ট্রিক্ট ২৪৪ দা মোক দ্রিল অসি পাঙথোক্কদবনি।

মসিনা ভারতকী লৈরিবা রাজ্যশিং অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা ঙাকশেলগী থৌরাংশিং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি। মোক দ্রিল অসিদা সিভিল দিফেন্স ৱার্দেন নৎত্রগা ভোলুন্টিয়ারশিং, হোম গার্দ, এন.সি.সি, এন.এস.এস, কলেজ অমদি স্কুলগী মহৈরোইশিংনা শরুক য়াগনি।

অমরোমদা, মোক দ্রিল অসিবু শরুক য়ানবগীদমক ভারত্তিয়া জনতা পার্টিনা মীয়ামদা মরুওইনা বি.জে.পিগী করিয়াকরতাশিং, দলগী লুচিংবশিং

অমদি মহৈরোইশিংদা আপিল তৌরক্লি।

**তমেংলোং (এল)ঃ** তমেংলোং ভিলেজ, দাইলোং ভিলেজ অমদি দুইগাইলোং ভিলেজ অনিগী মরক্তা য়ান্ন-ৱারোল অমা সহি তৌনখ্রে। তমেংলোং হেদক্বাটরদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা জিলা অদুগী এস.পি, এ.দি.এম-এ.দি.সি, এদিসনেল এস.পি. শরুক য়াখি।

অমরোমদা, জিলা অসিগী হেদক্বাটর অমদি মসিগী অকোইবদা লৈরিবা খুল খরদা থল্লম্বা কার্ফিয়ু লৌথোক্লে হায়না জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ডা: অলশিম দংশুৱানা ঙসি চেরোল অমা থোকখ্রে। অথিংবা অসি লৌথোক্লবসু মরি লৈনবা ওথোরিতিগী অয়াবা য়াওদনা মীয়াম পুনবা, রেল্লি চৎপা অমদি ৱাকৎ মীফমনচিংবা পাঙথোকপদি য়ারোই হায়রি।

**উখ্রুল (এল)ঃ** দ্রগ লান্না শিজিন্নবগী মাংজবা হায়বা হীরমদা মহৈরোইশিংদা নীংথিনা ভাব তাহনবগী থৌরম অমা উখ্রুলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মহৈরোইশিংনা য়ামা থাজদবা মওংদা ময়াই কাবা নিশা শিজিন্নরকপা কয়া থেংনরকপদগী মসিদগী ঙাকথোকবা মহৈরোইশিংদা নীংথিনা খঙহনবগী থৌরম অসি পাক্তকনা তাংখুল ময়ার নাগালা লোংনা শিনদুনা য়ু.বি.সি. হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা জিলা অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি।

**ম্যুজিক (এল)ঃ** শ্রীশ্রী বাল মুকন্দা দেব গভরমেন্ট ম্যুজিক কলেজ লিংখৎখিবগী ৬৩ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা কলেজ অসিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকী স্পিসিএল কম্মিস্নার-এম. জয়, কলেজ অসিগী হান্নগী প্রিন্সিপাল-লাইময়ুম দেবেন্দ্রজিৎনচিংবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

**মৈ (এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পানি লিমিটেদ (এম.এস.পি.দি.সি.এল) গী ওফিসিএলশিংনা ঙসি রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা রেড চথবদা মৈ লান্না শিজিন্নরম্বা মীওই ১৯ ফাগৎখ্রে। অদুগা কঞ্জুমর ১২ গী মৈ ককথৎখ্রে হায়রি।

**পিএম ঃ** ভারত অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া লৈবাক অনিনা হান্নদগী লৈরক্লবা মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবা থবক পায়খৎলগনি হায়না প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা অমুক হন্না ফোংদোকখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রধান মন্ত্রি-এন্তোনি অলবানিসনা লৈবাক অদুদা অনিরকশুবা ওইনা প্রধান মন্ত্রি ওইরকপদা নুংঙাইবা ফোংদোক্লদুনা শ্রী নরেন্দ্র মোদিনা ৱাফম অসি শ্রী এন্তোনিদা ফোংদোকখিবনি।

মহাকা হায়-লৈবাক অনিনা হৌখিবা চহি মঙাদা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা তেংবাং পীনদুনা লাক্লি। হৌজিকসু লাক্কদৌরিবা চহি মঙা অসিদা মখা তানা তেংবাং পীনবগী থবক চথখিগনি। লৈবাক অদুদা লৈরিবা ভারত মচাশিংনা লৈবাক অদুদা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা থবক তৌরিবা অদুবুসু শ্রী অলবানিসনা থাগৎপা ফোংদোকখি। চহি অসি লোয়শিল্লকপদা ভারতনা যুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্বাট মীফমদা শ্রী অলবানিসবু য়াওননবা শ্রী মোদিনা বার্ত্তন তৌখি।

**অজিৎঃ** পাহলগাম তেরর এট্টেক চথখ্রবা মতুংদা অৱাংবা থাক্কী মীফম কয়া মথং মথং পাঙথোক্লবা তুংদা নেসনেল সেক্যুরিতি এদভাইজর-অজিৎ দোবালনা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগা ন্যু দিল্লিদা ঙসি উন্নখ্রে।

তেরর এট্টেক অদুগী মতুংদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা লৌখৎলিবা চেকশিন

থৌরাং কয়া অদুগী মতাংদা শ্রী দোবালনা প্রধান মন্ত্রিদা নীংথিনা পাউদমখি। ঙরাংসু ঙাকশেলগী সেক্রেটরি-রাজেস কুমার সিংহনা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগা উন্নদুনা ৱাফম কয়া খন্নখি। ইয়ার ফোর্সকী মকোক ইয়ার চীফ মার্সেল-অমর প্রিত সিংহগসু প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগা তোঙাননা উন্নখি অমদি ইয়ার ফোর্সনা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিং প্রধান মন্ত্রিদা নীংথিনা পাউদমখি।

**বিজেপিঃ** পাহলগাম তেরর এট্টেক্কা মরী লৈননা বিরোধিশিংনা সরকারগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া ফোংদোরক্লিবা অদুবু বি.জে.পিনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

অকাশবানি পাউমীদা দলগী মচিন চৎপা নলিন কোহলিনা হায়-পাহলগাম তেরর এটেক অসি লৈবাক অসিগী ওইনা য়ামা নুংনাংনিংঙাই ওইবা অমনি। মসিদা বিরোধি দলশিংনা সরকারবু হুন্দুনা ঙাংবা হায়বসি য়ামা মরম চাদবা ৱাফম অমনি। সমাজবাদি পার্টিগী লুচিংবা লাল বিহারি যাদবনা এট্টেক অসিগী মতাংদা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদু য়ামা লাইবক থিবনি হায়রদুনা শ্রী কোহলিনা হায়-মহাকা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদুনা তেরর এটেক অদুদা অৱা অনা তারিবা মীওইশিংদা হেন্না থম্মোয় শোকহনবা ওইগনি। মদুগী মমাংদা, বিরোধি লুচিংবা শ্রী যাদবনা থৌদোক অদু সরকারগী ইন্টিলিজেন্স ফেল ওইবদগীনি হায়না ফোংদোকখিবনি।

**এজমাঃ** কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি-জে.পি. নদ্দানা হায়রি-এজমা লায়না ঙন্না খঙদোকপা অমদি লায়েংবনা লায়না অসি লাকশিনবা ঙমগনি।

মালেমগী এজমা নুমিৎকা মরী লৈননা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা মন্ত্রিনা হায়-নুমিৎ অসি পাঙথোকপনা লায়না অসিগী মরমদা মীয়ামদা হেন্না খঙহনবা ঙমগনি অমদি লায়না অসিনা নারবা মীওইশিং হেন্না চেকশিন্না লায়েংবা ঙমহনগনি। আইন শেমলিবা মীওইশিং, হকশেলগী লমদা

থবক তৌরিবা মীওইশিং অমদি মীয়ামনা পুন্না লায়না অসিবু নাহন্দনবগীদমক পুন্না হোৎনমীন্নবসু মন্ত্রিনা আপিল তৌরি।

**কংগ্রেসঃ** লৈবাক অসিদা কাষ্ট সেন্সস চথ্নগদৌরিবা অসিগী য়েংলগা করি করি থৌরাং পায়খৎপা য়াবগে হায়বদুগী মতাংদা মহাক্কী ওইবা মোত ফোংদোকপা চেরোল অমা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট-মালিক অরজ্ন খর্গেনা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা পীশিনখ্রে।

কাষ্ট সেন্সস অসিগা মরী লৈননা দল পুমমক্কী মীফম অমা কৌদুনা হীরম অসি কুপা খন্নবা মহাকা প্রধান মন্ত্রিদা তকশিনখি। কাষ্ট সেন্সস পাঙথোকপদা তেলঙ্গানা সরকারগী মোদেল অদু চৎনহন্নবসু মহাকা তকশিল্লি। সেন্সস অসি চথবদা হান্না সেদ্যুল কাষ্ট, সেদ্যুল ত্রাইব অমদি ও.বি.সিশিংদা পীরম্বা খুদোংচাবশিং অদু মখা তানা পীবিনবা মহাকা তকশিল্লি।

**সিন্ধিয়াঃ** কেন্দ্রগী কম্যুনিকেসন মন্ত্রি-জ্যোতি অদিতিয়া সিন্ধিয়ানা হায়রি-স্মার্ট ফোন অসি পাউ ফাওনবগী পাম্বৈ অমা ওইবতা নত্তনা মসিনা ই-পাউগী লমদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি ভারত টেলিকোমগী ২২ শুবা এদিসন হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী সিন্ধিয়ানা হায়-মালেমগী ওহনা ভারতনা টেলিকোমগী কৈথেলদা খ্বাইদগী চাউবা অনিশুবা লৈবাক ওইরি। মহাকা হায়-লৈবাক অসিদা মোবাইল শিজিন্নবা মীওই বিল্লিয়ন অমা হেন্না লৈরে। মহাকা হায়-হৌখিবা চহি তরা অসিদা ব্রোদবেন্দ শিজিন্নবগী চাং মিল্লিয়ন ৬০ দগী মিল্লিয়ন ৯৫০ দা হেনগৎলে। ইন্টরনেট শিজিন্নবসু চাংসু মিল্লিয়ন ২৫০ দগী মিল্লিয়ন ৯৭০ দা হেনগৎলে।

**খেল্লো (এল)ঃ** বিহারদা চথরিবা খেল্লো ইন্দিয়া য়ুথ গেমসকী নুপাগী

ফুটবোলদা ঙসি বাবুসরাইগী বরাউনি রিফাইন্নারি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা মেঘালায়ানা চান্দিগরবু পাঞ্জল ১০-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

তেগ্রাগী যামুনা ভগৎ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অতোপ্পা নুপাগী ফুটবোল মেটচ অমদা উরিষ্যানা নোংচুপ বঙ্গালবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

গেমস অসিদা হৌজিক ফাওবদা করনাতক্কানা সনাগী ৪, লুপাগী ৫ পুন্না তকমান ৯ ফংদুনা মাংজিল থারি। দিল্লিনা সনাগী তকমান অনি, লুপাগী অমা অমসুং শেঞ্জেংগী অহুম পুন্না তকমান তরুক ফংদুনা অনিশুবা মফমদা লৈরি অদুগা রাজস্থাননা সনাগী অনি, শেঞ্জেংগী অমা পুন্না তকমান অহুম ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স অন্দর নাইন্তিন ৱান ডে ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-পি.টি.সি.সি. পাৎশোইনা পি.এস.সি. খুয়াথোংবু রন-১১৭ তা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা সেদো থাংমৈবন্দনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি. লালাম্বুংবু ৱিকেট-৮ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** তকৱা ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা চজিং এফ.সিনা ৱাঙ্গোই এফ.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-ৱাই.ভি.এ. ৱাংজিংনা এস.ডব্লিয়ু.সি. কৈরকপু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** সিটি ক্লব গ্রাউন্দ হৈরোক লিতান মখোঙদা চথরিবা অহুমশুবা মাইপাকপী মেমোরিএল ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা জে.জে. টাইগর এফ.সি. থৌবালনা চন্দ্রমুখি এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচশিংদা-লৈকাই এফ.সি. য়াইস্কুলনা থম্বালসনা এফ.সি.

লৈরুংথেলবু পাঞ্জল ২-১ দা, ঙারিয়ান এফ.সিনা জোন এফ.সি. অচানফিগৈবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী এস.এস. সি. প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা তরুকশুবা সেক্তা ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা-গোল্ড এফ.সি. কিয়ামগৈনা ব্রদর এফ.সি-সেক্তাবু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখ্রে।

অনিশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অমদা-পুপু পুদোংবমনা আই.এন.জে.সি. নুঙ্গৈইবু পেনালতি সুটতা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** সমরাম প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা অহুমশুবা ষ্টেট লেবেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ফুটবোল লবরস-নোংপোক সেকমাইনা লিজেন এফ.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

**কাং (এল)ঃ** ১৮ শুবা প্লেয়ারস ট্রোফি লিগ কম নোক আউট কাং তুরানমেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-ৱাঙ্গৈাই কাংখুৎনা ৱালিদা ৱাবগাই কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৮-১৭ তা থোইখ্রে।

**রেসলিং (এল)ঃ** থা অসিগী অহুমদগী ন্যু দিল্লিগা হোটেল লীলা এমভাইয়েন্স চথরক্লিবা ২৩ শুবা এসিয়ান অমসুং ২২ শুবা এসিয়ান পরা আম রেসলিং চেম্পিয়নসিপকী ঙসি শান্নখিবা বাউদতা মনিপুরগী শান্নরোই-পাউলিনলোং লোংমৈনা লেফ হেন্দদা সনাগী তকমান অদুগা রাইট হেন্দদা লুপাগী তকমান ফংখ্রে। অদুগা মুতুম জিবননা রাইট হেন্দদা সনাগী তকমান অদুগা লেফ হেন্দদা শেঞ্জেংগী তকমান ফংখি।